এডিটোরিয়েল

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

মণিপুরদা ম্যান্মারগী দেল্লিকেসন

মেডিকেল টুরিজম শেমগৎননবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙসি

টেক্নোলোজিগী মরমদা করিমত্তা খন্দ্রিঙৈদা মীওইবা খুন্নাইনা য়ূম্লিং কৈরিংদুনা লৈরম্বসি ওন্থোক্লা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরমগনি হায়বসি হৌজিক্তা টেক্নোলোজিনা পীরিবা কান্নবশিং অসি য়েংলগা খঙবা ঙম্মী। মতমদুদদি মীওইবা খুন্নাইনা লৌ উরগা, মনা–মশিং খরা থারগা চহী চুপ্পা চাবগী ফীভমদা লৈরম্মী। উমংদগী অকংবা শীং খরা খোমজিন্নগা য়ূমদা থমজিনবা অমসুং ঈশিং লৈরিঙৈদা পাৎতা কুমদুনা ঙা ফারগা য়াইফৌ থাদুনা চহী ১ চাননবা থম্বা ঙম্বা মীওই অদু নুংঙাই–য়াইফবা ইমুংনি হায়না লৌনরম্মী। মদুগী মতুং তারকপদা লল্লোন–ঈতিক্কী ৱাখল পোক্লক্তুনা পোৎকা পোৎকা ওন্নবগী কাঙলোন অমা অমুক লাকখি। শেনয়েক চৎনরকপদগী লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা অমুক লল্লোন–ঈতিক তৌনবগী চৎনবী অসি লৈরকখি। অসুম্না চাউখৎলবা মতমসিদদি মালেম অসি অদুক্কী মতীক পীকখ্রে। লৈবাক অমদা ফংবা পোৎলমশিং চুনবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অমদা য়োনবা ঙম্লে। অদুবু মণিপুরগী ওইনা লাইবক থিবা হায়বা তারগদি ষ্টেট অসিদা ফংলিবা পোৎলমশিং অসি মপান লৈবাক্তা থাদোকপা ঙমদবা অমসুং মপান লৈবাক্কী পোৎলমশিং চুনবা মমলদা মফমসিদা ফংহনবা ঙমদবসিনি। ঐখোয়গী য়ূমথংননা লৈরিবা ম্যান্মার চেঙ অমসুং পেট্রোলিয়ম প্রদকশিংনা মরাঙ কায়না পুথোকপা লৈবাকনি। অহোংবা মমলদা ফংবা ম্যান্মারগী চেঙ মণিপুরগী মীয়াম্না চাবা ফংদে। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়না মেনলেন্দ ইন্দিয়াদগী শেল য়াম্না ৱাংনা পীদুনা পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং লৈরগা শীজিন্নরি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়না য়ূমথংননা লৈরিবা ম্যান্মারদগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নবা তারগদি অহোংবা চেঙ অমসুং অহোংবা পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং শীজিন্নবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মসি য়াহনগে হায়বা তারগদি ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন–ঈতিক্কী পোৎলমশিং শেমদোক–শেমজিন তৌবা অমসুং য়ানবা অমগী মখাদা পোৎলমশিং অসি পুশিনবা য়াহন্নবা হোৎনগদবনি।

নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবা ম্যান্মারগী মেগৱে রিজনগী চীফ মিনিষ্টর ডা. আউং মো ন্যোনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী টিম অমনা হন্দক্তা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমসুং স্কাই হোস্পিটালদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংবা লৈখ্রে। মেগৱে রিজনগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমশিংগী মনুংদা ম্যান্মার হায়রিবা লৈবাক অসি অনা–লায়েংগী লমদা য়াম্না শোত্থরি। অরুবা অনাবশিং লায়েংনবগীদমক ম্যান্মার মচাশিংনা থাইলেন্দ অমসুং সিঙ্গাপুরনচিংবদা চৎলি। মফমদুদা চৎপদা শেল য়াম্না তিংই। অদুবু ম্যান্মার মচাশিংনা মণিপুরদা লাক্তুনা লায়েংজরগদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লায়েংবদা চঙবা শেনফম অদুদগী তঙ্খায় অমা হন্থনা চাদিং তৌগনি। মসিগীদমক ম্যান্মার মচাশিংনা মণিপুরদা লায়েংবা চৎকে হায়রগদি অথিংবা পীরোই হায়বসিনি। তশেংনমকসু ম্যান্মারগা য়েংনবদা মণিপুরদা লৈরিবা মমিং লৈরবা হোস্পিটালশিং অসিনা পীরিবা সার্ভিস অসি অদুম শীংথানবা য়াই হায়বা য়াই। ইচম চম্বা অনাবা অমা ওপরেসন তৌরগা ফবা য়াবদু অনা–লায়েংগী লমদা শোত্থবা মরমনা মীওই কয়া শিবগী পাউ লৈ। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ম্যান্মারগী টিমনা মণিপুরগী মমিং লৈরবা হোস্পিটাল অনী য়েংলম্বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনা লাইবক ফবনি অমসুং মণিপুরনা মেডিকেল টুরিজমগী খুদোংচাবা অমা ফংলগনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা মেডিকেল টুরিজম হায়বসি ষ্টেট অমগী শেল লাক্লবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমনি। শেলসু পংয়াম য়াম্না তিংহন্দনা অফবা মখলগী অনা–লায়েংগী খুদোংচাবসু পীবা অমসুং কোয়বা, নুংঙাইথোকপগী খুদোংচাবা পীবা হায়বসি মালেমগী ওইনা অনৌবা মায়ওল অমনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি মণিপুরদা মেডিকেল টুরিজম শেমগৎকে হায়বা তারগদি ঙাইহাক লৈতনা হোস্পিটালদা মী শিবগী ডোক্তর ফুবা, পোৎ–চৈ থুগায়বগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনবা তাই। মীয়োক–মীচান ফবা ডোক্তরশিং মথৌ তাই। অনা–লায়েংবদা কখোকপগা লোয়ননা ডোক্তরশিংনা প্রাইভেট প্রেক্টিষ্টলোমদা মীৎয়েং চঙবা অমসুং অনাবশিংবু লল্লোন পোৎ ওইনা উবগী ৱাখল্লোন থাদোকফম থোকই। হীরম কয়া অসি য়েংলগা মণিপুরবু মেডিকেল টুরিজমগী মফম অমা ওইহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯤ ꯗꯦꯜꯂꯤꯀꯦꯁꯟ

ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯇꯨꯔꯤꯖꯝ ꯁꯦꯝꯒꯠꯅꯅꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯁꯤ

ꯇꯦꯛꯅꯣꯂꯣꯖꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝꯗ ꯀꯔꯤꯃꯠꯇ ꯈꯟꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯅ ꯌꯨꯝꯂꯤꯡ ꯀꯩꯔꯤꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯝꯕꯁꯤ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯗꯕ ꯀꯌꯥꯃꯔꯨꯝ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯝꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇ ꯇꯦꯛꯅꯣꯂꯣꯖꯤꯅ ꯄꯤꯔꯤꯕ ꯀꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯌꯦꯡꯂꯒ ꯈꯪꯕ ꯉꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯇꯝꯗꯨꯗꯗꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯅ ꯂꯧ ꯎꯔꯒ, ꯃꯅꯥ–ꯃꯁꯤꯡ ꯈꯔ ꯊꯥꯔꯒ ꯆꯍꯤ ꯆꯨꯞꯄ ꯆꯥꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯎꯃꯪꯗꯒꯤ ꯑꯀꯪꯕ ꯁꯤꯡ ꯈꯔ ꯈꯣꯝꯖꯤꯟꯅꯒ ꯌꯨꯝꯗ ꯊꯝꯖꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯗ ꯄꯥꯠꯇ ꯀꯨꯝꯗꯨꯅ ꯉꯥ ꯐꯥꯔꯒ ꯌꯥꯏꯐꯧ ꯊꯥꯗꯨꯅ ꯆꯍꯤ ꯱ ꯆꯥꯟꯅꯕ ꯊꯝꯕ ꯉꯝꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ–ꯌꯥꯏꯐꯕ ꯏꯃꯨꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯅꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯇꯥꯔꯀꯄꯗ ꯂꯜꯂꯣꯟ–ꯏꯇꯤꯛꯀꯤ ꯋꯥꯈꯜ ꯄꯣꯛꯂꯛꯇꯨꯅ ꯄꯣꯠꯀ ꯄꯣꯠꯀ ꯑꯣꯟꯅꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ ꯑꯃꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯛꯈꯤ꯫ ꯁꯦꯅꯌꯦꯛ ꯆꯠꯅꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯗꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯜꯂꯣꯟ–ꯏꯇꯤꯛ ꯇꯧꯅꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤ ꯑꯁꯤ ꯂꯩꯔꯛꯈꯤ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯅ ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯕ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯗꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯁꯤ ꯑꯗꯨꯛꯀꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯄꯤꯀꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯗ ꯐꯪꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯆꯨꯅꯕ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯗ ꯌꯣꯅꯕ ꯉꯝꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯕ ꯍꯥꯌꯕ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯁꯤꯗ ꯐꯪꯂꯤꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯃꯄꯥꯟ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄ ꯉꯃꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯄꯥꯟ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯆꯨꯅꯕ ꯃꯃꯜꯗ ꯃꯐꯝꯁꯤꯗ ꯐꯪꯍꯅꯕ ꯉꯃꯗꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯌꯨꯝꯊꯪꯅꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔ ꯆꯦꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯦꯇ꯭ꯔꯣꯂꯤꯌꯝ ꯄ꯭ꯔꯗꯛꯁꯤꯡꯅ ꯃꯔꯥꯡ ꯀꯥꯌꯅ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄ ꯂꯩꯕꯥꯛꯅꯤ꯫ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯃꯃꯜꯗ ꯐꯪꯕ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯤ ꯆꯦꯡ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯆꯥꯕ ꯐꯪꯗꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤꯁꯨ ꯃꯊꯛꯇ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯃꯦꯅꯂꯦꯟꯗ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯗꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯌꯥꯝꯅ ꯋꯥꯡꯅ ꯄꯤꯗꯨꯅ ꯄꯦꯇ꯭ꯔꯣꯂꯤꯌꯝ ꯄ꯭ꯔꯗꯛꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯒ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯌꯨꯝꯊꯪꯅꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯗꯒꯤ ꯄꯨꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯆꯦꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯦꯇ꯭ꯔꯣꯂꯤꯌꯝ ꯄ꯭ꯔꯗꯛꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯂꯩꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯌꯥꯍꯅꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯂꯜꯂꯣꯟ–ꯏꯇꯤꯛꯀꯤ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯁꯦꯝꯗꯣꯛ–ꯁꯦꯝꯖꯤꯟ ꯇꯧꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯥꯟꯕ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯄꯨꯁꯤꯅꯕ ꯌꯥꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ꯫

ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯃꯔꯤꯅꯤꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇ ꯏꯝꯐꯥꯜꯗ ꯊꯨꯡꯂꯈꯤꯕ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯤ ꯃꯦꯒꯋꯦ ꯔꯤꯖꯅꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯗꯥ. ꯑꯥꯎꯡ ꯃꯣ ꯅ꯭ꯌꯣꯅ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯑꯋꯥꯡꯕ ꯊꯥꯛꯀꯤ ꯇꯤꯝ ꯑꯃꯅ ꯍꯟꯗꯛꯇ ꯔꯤꯖꯅꯦꯜ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ (ꯔꯤꯃꯁ) ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁ꯭ꯀꯥꯏ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜꯗ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯆꯠꯇꯨꯅ ꯌꯦꯡꯕ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯦꯒꯋꯦ ꯔꯤꯖꯅꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯁꯤꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯝꯕ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤ ꯑꯅꯥ–ꯂꯥꯌꯦꯡꯒꯤ ꯂꯝꯗ ꯌꯥꯝꯅ ꯁꯣꯠꯊꯔꯤ꯫ ꯑꯔꯨꯕ ꯑꯅꯥꯕꯁꯤꯡ ꯂꯥꯌꯦꯡꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯅ ꯊꯥꯏꯂꯦꯟꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯤꯡꯒꯥꯄꯨꯔꯅꯆꯤꯡꯕꯗ ꯆꯠꯂꯤ꯫ ꯃꯐꯝꯗꯨꯗ ꯆꯠꯄꯗ ꯁꯦꯜ ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯤꯡꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯥꯛꯇꯨꯅ ꯂꯥꯌꯦꯡꯖꯔꯒꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯡꯗ ꯂꯥꯌꯦꯡꯕꯗ ꯆꯪꯕ ꯁꯦꯅꯐꯝ ꯑꯗꯨꯗꯒꯤ ꯇꯡꯈꯥꯌ ꯑꯃꯥ ꯍꯟꯊꯅ ꯆꯥꯗꯤꯡ ꯇꯧꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯥꯌꯦꯡꯕ ꯆꯠꯀꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯗꯤ ꯑꯊꯤꯡꯕ ꯄꯤꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛꯁꯨ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒ ꯌꯦꯡꯅꯕꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯃꯤꯡ ꯂꯩꯔꯕ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅ ꯄꯤꯔꯤꯕ ꯁꯥꯔꯚꯤꯁ ꯑꯁꯤ ꯑꯗꯨꯝ ꯁꯤꯡꯊꯥꯟꯕ ꯌꯥꯏ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯏ꯫ ꯏꯆꯝ ꯆꯝꯕ ꯑꯅꯥꯕ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ ꯇꯧꯔꯒ ꯐꯕ ꯌꯥꯕꯗꯨ ꯑꯅꯥ–ꯂꯥꯌꯦꯡꯒꯤ ꯂꯝꯗ ꯁꯣꯠꯊꯕ ꯃꯔꯃꯅ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯁꯤꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ ꯂꯩ꯫ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯇꯥꯟꯐꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒꯤ ꯇꯤꯃꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯃꯤꯡ ꯂꯩꯔꯕ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜ ꯑꯅꯤ ꯌꯦꯡꯂꯝꯕꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯐꯕꯅꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯅ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯇꯨꯔꯤꯖꯝꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯑꯃꯥ ꯐꯪꯂꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯕ ꯌꯥꯏ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯇꯨꯔꯤꯖꯝ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯂꯥꯛꯂꯕꯒꯤ ꯑꯆꯧꯕ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯑꯃꯅꯤ꯫ ꯁꯦꯜꯁꯨ ꯄꯪꯌꯥꯝ ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯤꯡꯍꯟꯗꯅ ꯑꯐꯕ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯑꯅꯥ–ꯂꯥꯌꯦꯡꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯁꯨ ꯄꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯣꯌꯕ, ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯄꯤꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯅꯧꯕ ꯃꯥꯌꯑꯣꯜ ꯑꯃꯅꯤ꯫ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯁꯤꯗ ꯄꯟꯖꯅꯤꯡꯕ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯇꯨꯔꯤꯖꯝ ꯁꯦꯝꯒꯠꯀꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯜꯗ ꯃꯤ ꯁꯤꯕꯒꯤ ꯗꯣꯛꯇꯔ ꯐꯨꯕ, ꯄꯣꯠ–ꯆꯩ ꯊꯨꯒꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯍꯟꯗꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯇꯥꯏ꯫ ꯃꯤꯌꯣꯛ–ꯃꯤꯆꯥꯟ ꯐꯕ ꯗꯣꯛꯇꯔꯁꯤꯡ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ꯫ ꯑꯅꯥ–ꯂꯥꯌꯦꯡꯕꯗ ꯀꯈꯣꯛꯄꯒ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯗꯣꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯅ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯚꯦꯠ ꯄ꯭ꯔꯦꯛꯇꯤꯁ꯭ꯇꯂꯣꯝꯗ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯅꯥꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯂꯜꯂꯣꯟ ꯄꯣꯠ ꯑꯣꯏꯅ ꯎꯕꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ꯊꯥꯗꯣꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ꯫ ꯍꯤꯔꯝ ꯀꯌꯥ ꯑꯁꯤ ꯌꯦꯡꯂꯒ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯇꯨꯔꯤꯖꯝꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂ ꯑꯈꯟꯅꯕ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯍꯟꯅꯤꯡꯏ꯫

বাইওফর্টিলাইজর অমসুং মসিগী কান্নবা

প্রো. এম সুমর্জিৎ সিংহ

বাইওফর্টিলাইজর হায়বদি অহিংবা জীবগী হার হায়বনি। মীৎনা উবা ঙমদবা কুপ্লবা জীবশিং অসিনা নুংশিৎ অমসুং লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন (পান্বীগী মরু ওইবা চীঞ্জাকশিং), পান্বীশিংদা ফংবা ঙমহল্লি। নুংশিত্তা নাইট্রোজেন অসি চাদা ৭৮ মুক য়াওই অদুগা ফোসফোরস অসি মীৎনা উবা ফংবা ঙমদবা জীবশিং অসিবু লৈবাক্তা হাপ্লগা নৎত্রগা পান্বীশিংগী মরূ–মরাংদা তোৎলগা নৎত্রগা মরূদা লুপ্লগা থারবদি মখোয়না নুংশিত্তা য়াওবা পান্বীগী মরু ওইবা মচীঞ্জাকশিংদু ফংহনবা ঙমহল্লি। মরম অদুনা লৌউ–শিংউবগী মরমদা বাইওফর্টিলাইজরনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদা অমসুং ভারতকী মফম কয়াদা বাইওফর্টিলাইজর পুথোক্লবগী ফেক্তরি কয়া হাংদোক্লরে অমসুং মখল মখা কয়াগী বাইওফর্টিলাইজর ফংহল্লে।

বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী কান্নবা ঃ

১। বাইওফর্টিলাইজর হারশিং অসি শীজিন্নবনা অকোয়বগী খল কায়হন্দে, অমাঙ অতা থোকহন্দে, মসিনা ইকো–ফ্রেন্দলি ওইহল্লি, শীজিন্নবদা লায়, পুথোক–পুশিন্দসু খুদোংচাবা হেনহল্লি।

২। মসিগী হারশিং অসি শীজিন্নবনা দরকার ওইবা নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফোরসকী মথংশিংনা চাদা ২০ দগী ৫০ অমদি ১৫ দগী ২৫ ফাওবগী চাংদা পান্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙমই।

৩। পান্বীশিংগী পোখোক চাদা ১০ দগী ৪০ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙমহল্লি।

৪। মসিনা লৈবাক্তা য়াওবা অপীকপা জীবশিংবু মশা খিংনা হায়বদি মশা–মউ ফনা য়োকখৎতুনা লৈবাক–লৈহাও চেনবা হেনগৎহল্লি।

৫। মরু ওইনা পান্বীশিংবু মরা ফজনা তাহনবা অমদি চাউখৎহনবদা য়াম্না মতেং পাঙই।

৬। হায়রিবা জীবশিং অসিনা লৈবাক্তা ঈশিং চুপশিন্দুনা কুইনা থমদুনা পান্বীশিংবু ইকংদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমই মসিদা নত্তনা পান্বীশিং অসিবু লায়না–তিলনাদগীসু খরমখৈদি ঙাকথোক্তুনা মশা–মউ ফনা হৌহনবা ঙমহল্লি।

৭। মখোয়না পান্বীশিংগী অরেম–অপা শরুকশিং অদু পত্থ–পুমথহনবদা মতেং পাঙদুনা কার্বোন অমসুং নাইট্রোজেনগী চাং ফজনা ঙাক্তুনা থমদুনা লৈবাক লৈহাওগী শওং–শদা ফগৎহনবগা লোয়ননা ঈশিংগী ঈনিলবুসু কুইনা চুপশিন্দুনা লৈহনবা ঙমই।

৮। অসুম্না পান্বীশিংগী পত্থ–পুমথহল্লবা পোৎশক অসিদা লৈবাক লৈহাও লৈহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা “তিম্ব্রোক” হায়রিবা জীব অসি ফজনা হিংজবা ঙমই।

৯। মখোয়শিংসি কম্পোষ্ট শেম্বদা হাপ্লবদি কম্পোষ্টকী ফবগী চাং হায়বদি মগুণ য়াম্না হেনগৎহল্লি, পান্বীগী মচীঞ্জাকশিংসু হেন্না পীবা ঙমহল্লি।

১০। অপীকপা জীবশিং অসিবু হাপ্তুনা কম্পোষ্ট শেল্লবদি, শেল্লিবা কম্পোষ্ট অদু মশাগী চঙগদবা মতমদগী হেন্না (থুনা) ঙনখৎহল্লি।

১১। বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নরবদি রসায়নগী মাঙ–তাক্লীংঙাই ওইবা নাপী হিদাক অমদি তিলহাৎ হিদাক কয়া অমা তুমহন্দুনা ময়ায় চমহনবদসু মতেং পাঙই।

১২। মখোয়সি শীজিন্নবদা শেল ইচঙ চঙদবা অমদি পুথোক–পুশিন্দা য়াম্না খুদোং চাই।

১৩। মখোয় অসি তোয়না শীজিন্নরবদি, শীজিন্নরিবা মফম অদুদা মতম অমদদি অমুক হাপত্রবসু য়াবগী মতম লাক্কনি। মরমদি মখোয় অসি লৈবাক অদুদা মরাঙ কায়না হিংদুনা লৈরগনি।

মেছিননা য়ৈবা চরুদা চরুয়েন থাবা

সৈলৈবম বিহারি

খূৎনা য়ৈবা চরুদা চরুয়েন থাবগা মেছিননা য়ৈবা চরুদা চরুয়েন থাবগা থোইনা খেন্নবা নত্তে। মপুন মচা–মচা পুনবদা খরা খেন্নবা খক্তনি। খূৎনা য়ৈবা চরুদি মপুন পুনবা মতমদা মকোক্লোমদা চরৈ অমা পুল্লগা ঈশিংদা তিংবা য়াই অদুগা মেছিননা য়ৈবা চরুদি মকুম মকাই ওইনা তৌবনা চরৈ অনী অহুম থোক্লা পুন্দবা য়াদে। অতৈ প্রোসেসতি থোইনা খেন্নবা লৈতে।

চরুয়েন থাবদি ওইষ্টর মশরুমগুম্না থাবা লোইরবা মতুংদা হৌদ্রি ফাওবা তুমিন্না লৈথোকপা য়াদে। হৌদ্রি ফাওবা তোয়না য়েংশিন্দ্রবদি চরুয়েন হৌরক্তবা য়াই। চরুয়েনদি ইমুং অমসুং মপান অনীমক্তা থাবা য়াবনা ওইষ্টর মশরুমদগী খুদোংচাবা হেল্লি। ইমুংগী মী অমনা ময়ূমদা লৈনা লৈনা নোংমদা লুপা ৫০০/ ৬০০ তানবা ৱাদে।

চরুয়েন মীনা য়াম্না পাম্না চানবা হাওসু হাওবা য়োনবসু ৱাদবা থাবদসু ৱাদবা মখলনি। অদুবু থওইনা ত্রেনিং চৎলবদি য়াম্না লায়না থাবা ঙমগনি।

ওইষ্টর মশরুমদগী চরুয়েন মরুনা মমল হেল্লি। ওইষ্টর মশরুমদি গ্রাম ৩০০ গী পেকেত্তা লুপা ৩০–৩৫ দা য়োন্নে অদুগা চরুয়েন মরুনা লুপা ৫০–৬০ দা য়োন্নে। অনীমক শেম্বদা চঙবা শেল অমসুং মতম চপ মান্ননা চঙই। শেম্বগী মওংসু খেন্নবা অমত্তা লৈতে। অদুবু চরুগী মমলসু চরুয়েন্না হেল্লি অদুগা পোখোক য়োনবদসু চরুয়েন্না মমল হেল্লি। য়ুনিভর্সেল মশরুম ক্লব, থাংমৈবন্দনা চয়োল খুদিংগী নুমিৎ হুম্নিগী ত্রেনিংদা চরুয়েন, ওইষ্টর মশরুম অমসুং অনীমক্কী মরু শেম্বগী ত্রেনিং লেপ্তুনা পীরি। অয়াম্বা মতমদা ইরাই নুমিত্তগী নোংমাইজিং ফাওবা তৌগল্লি।

ত্রেনিং লোইরবা মতুং মখা তানা ক্লব অসিদা প্রেক্টিশ তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। চেঙ্গুম মরু শেম্নবা মেছিনশিংগী মনুংদা লামিনার ইয়ার ফ্লো লুপা লাক্ষলোমদা পীরি। মদুগী মহুৎ শিন্নবা ইনোকুলেসন চেম্বর হায়না খঙনবা ভুটান বোর্দ অমসুং ফাইবর গ্লাসনা চনবদা লুপা লীশীং ৭/৮ লোমতা চঙই। অদুগা ওটোক্লেভ লুপা ৮,৬৫০ পীবা অমগা লৈরগা খূত্তা শেল খরা লৈরবদি চেঙ্গুম মরু শেম্বা হৌবা য়ারে। চরুয়েনগী মরু শেম্বা অমসুং চরুয়েন থাবা অনীমক শেন্দোং থোইনা খেন্নদে।

লায়না–তিলনাদগী ঙাকথোকপা – চরুয়েনদা তাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা খূৎকেনবী হৌরকপা, হঙ্গাম মরু মানবী অমসুং গ্রীন মোল্ড অসিনচিংবনি। লায়না মখল অহুম্মক চরুদা মোইচর কন্টেন হেনবা নৎত্রগা পষ্টরাইজেসন নিয়ম চুম্না তৌদবা লোয়ননা হকশেল কাঙলোন্দা অশোইবা লৈবদগী ওইগল্লি।

খূৎকেনবী হৌরকপদি পীক্লিঙৈদা হেক্তোক্লগা থাপ্না হুন্দোক্কদবনি। অশংবা কাবি (গ্রীন মোল্ড) দি অচুবা মপাদা শুনু পাউদর তৈশিল্লবসু ফৈ অদুগা হঙ্গাম মরু কাবিদি সেলোরেসিয়া হায়না খঙনবা কোকফাই অদুগী ফ্রুইট বোডিনি। সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট, ঈশিং লিটর অমদা এম এল অমা য়াল্লগা কাপথোকপীয়ু।

লামিনার ইয়ার ফ্লোগী মহুৎ শিন্নবা ইনুকুলেসন শেম্বা ত্রেনিশিংদা শেম্বা তম্বীবা

চেঙ্গুম মরু শেম্নবা ত্রেনিশিংনা শেম শাবা

চরুয়েন নৎত্রগা চেঙ্গুম মরু শেম্বা হুমাং তাবা থবক য়াওদে। ইমুংদা রেডিও তারগা শূবা য়াবা থবক্নি। চরু তেন্না ককপগী অৱাবা লৈত্রে। মকোক মতোন মান্ননবা থাংজৌনা হায়রপ ককপদনি। য়ূমদা শূজবা থবকনিনা অশং–অশংবা মতমদা ঙাইহাক শূগা য়াবা থবক্নি। করিগুম্বা নৌনা চেঙ্গুম নৎত্রগা চরুয়েন থাবীরিবশিংনা মথক্কী লায়নাশিং নৎত্রগা করিগুম্বা লায়না অমা চেঙ্গুম নৎত্রগা চরুয়েন্দা তারক্লবদি অইবগী ফোন নম্বর ৮৯৭৪৮৭০৮১০ দা পাউ পীবিয়ু লায়েংনবা হিদাক হায়জরক্কে।

শেন্দান লম্বী ওইনা চেঙ্গুম থাবীনিংলবা অদুগা মণিপুরগী মনুং নৎত্রগা মপান্দা ত্রেনিং চৎপীনিংলবসু ফোন্দা হায়বীরকউ।

থবী মাইরেলনচিংবদা তাগনবা তিলশিং

নবকিশ্বর ঙাঙবম

মরী চৎপা হায়রগা থবী মাইরেল, সেবোৎ–খোংদ্রুমনচিংবশিংবু ওইনা লৌনৈ। মখোয়শিং অসি ইমুং মনুং অমত্তগী মীওইশিংগুম্না হৌফম শাৎফম তিন্নবা কাঙবুশিংনি। মরম অদুনা কাঙলূপ অসিগী মনুংদা চনবা পান্বীশিংদা তাগনবা লায়না তিলনাশিং অসি ইমান মান্নে। মখোয়দা তাবা য়াবা তিলগী কাঙলূপ য়াম্না লৈ। পান্বীশিং অসিনা হৌরিঙৈ মপুন্সি চুপ্পদা মাগী শোকহন্নীংদবা শরুক অমদা হেক্তা শোক্লকপা য়াবগী খুদোংথীবা লৈ। তীলশিং অসিনা পান্বীশিংবু মাঙহল্লম্বতা নত্তনা মশা ফরিবা অতোপ্পা পান্বীশিংদা লায়না মখল কয়াসু শন্দোকই। মখোয়গী য়েক্লবা তিলশিং অসিগী মনুংদা খ্বায়দগী মরু ওইবা খরদি রেদ পম্পকিন বিটলস, এফিদস (ৱাহীক), কট ৱোর্মস (পুকশ্রি) অসুং ফ্রুইট ফ্লাইশিং অসিনি হায়বা য়াই।

রেদ পম্পকিন বিটলস ঃ

মখোয়শিং অসিনা পান্বী কাঙলূপ অসিদা তাগনবা তিলশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী হেন্না শাথিবনি হায়না লৌবা য়াই। তিল অসি য়েংবদা তন্দনগী মওং মাল্লি। খরা পীক্তক তৌরগা শাংই। মশা অদু কোন্না মচুগুম্বা ঙাঙশং ঙাঙই। মার্চ–এপ্রিল থাদনা য়াম্না শাথিবা হেল্লি। পান্বীশিংনা হেক হৌরকপগা মনাশিং অদু মশিংদমক খাক্লন্নগা লোয়নমক চাথোকই। মনাদা হুত্তুনা চারম্বদগী মপান্দা ফাওবা শোকহল্লকই। মপী ফাদ্রিবা মচাশিংনা হুত্তুনা মাঙহল্লি। ঙন্না থাবা পান্বীশিংবু তিল মখল অসিনা অমুক হন্না থাদ্রবদি য়াহন্দবা ফাওবা ঙম্মী।

অয়ূক অঙনবা নুমিৎ থোক্ক্রিঙৈ মতমদদি তিল অসি মবুক য়াম্না তপ্না অমদি য়াম্না তনবদৌনা তৌই। মতম অদুদদি মনাগী মনমগন্দা লোত্তুনা লৈ। নুমিৎ থোরক্লবা মতমদদি মশা খীংই অমসুং কোয়পাই পাই। মরম অদুনা অয়ূক ঙন্তা মনাশিং অদু হাইগৎলগা ফাদোকপা য়াই। হিদাক শীজিন্নগে হায়রগদি পান্বীনা হেক হৌগৎলকপগা কাঙখুলদা সেন্টিমিটর ৩/ ৪ লুনা ফুরাদান ৩–জি খরদং হাপচিল্লগা ঈশিং চায়শিনবা কান্নগনি। কিলোগ্রাম ২.৭৫ না লৌফম একর অমা হাপ্পা কোন্নগদবনি।

এফিদস (ৱাহীক) ঃ

এফিদ (ৱাহীক) শিং অসি অপীকপা, মানা শাইদাংলিবা পান্বী অদুগী মহী চুপ্তুনা হিংবা জীবশিংনি। এফিদশিংনা থোকহনবা মরু ওইবা খুদোংথীবা অমদি নাদবা পান্বীশিংদা য়াম্না থুনা ভাইরসকী লায়না শন্দোকপা ঙম্বসিনি। ককম্বর মোজাইক হায়বা মহৈগী মওং তাহন্দবা ভাইরসকী লায়না অদু এফিদশিংনা শন্দোকই। অয়াম্বা মতমদা মখোয় মনাগী মনমগন্দা লোত্তুনা লৈ। মালাথাইওন কাপ্লগা এফিদশিং অসি হাৎপা য়াই।

ফ্রুইট ফ্লাই ঃ

মপী অদু অপীকপা খোই মাল্লি। অথৌবা মনীং অদুনা উহৈগী অথোৎপা মফমদা হঞ্জিল্লগা মরুম কোকশিল্লি। গমগুম্বা অনপ্পা ঈশিং চঙবা ঙমদবা মহী অমনা মখুল অদু মেনশিল্লম্মী। মরুমশিং অদুনা নোংমদগী নুমিৎ মাপলনি ফাওবগী মনুংদা হন ওল্লি। হনশিং অদুনা মতোঙদা হুত্তুনা চঙখি। শোক্লবা মফমশিং অদু বেক্তরিয়াশিংনা পুমথহল্লি। মহৈশিং অসিবু ফ্রুইট ফ্লাইদগী ঙাকথোকপা হায়বসি অরায়বা ওইদে। শোক্লবা মহৈশিং অদু হেক্তোক্তুনা হনশিং অদুগা লোয়ননা মাঙহনখিগদবনি। মহৈশিং অদুনা য়াম্না নৌরিঙৈদা দাইমোথোয়েট নৎত্রগা মালাথাইওন কাপথোকপীবা য়াই। অদুবু হেক্লমদায় নুমিৎ ১০ নিমক্তা ঙাইরবা থবী–মাইরেলশিং অমসুং গ্লাস হাউস মনুংদা থাবা থবীশিংদদি মালাথাইওন কাপ্পা য়াদে। মিটর ৮ দগী ১০ ফাওবা লন্না লন্না চুজাক্কী পরেংশিং থারগা, চুজাক মনাশিংদুগী মনমগন্দা মালাথাইওন ৫০ ই সি মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ২০ দা চিনি অঙাঙবা গ্রাম ২০০ গা পূন্না য়ান্নরগা কাপথোকপীবা য়াই। তিলশিং অসিনা কন্না তারিঙৈ মতমদদি হপ্তা খুদিংগী হন্না কাপ্পীগদবনি।

কট– ৱোর্ম (পুকশ্রী) ঃ

তিল মখল অসি নুংথিলগী মতমদদি লৈবাক মনুংদা লোত্তুনা লৈ। নুমিদাংদা থোক্লক্তুনা নৌরিবা পান্বীশিংগী মখোঙদা চিকথৎলি। নুমিৎ তারবা মতুং সন্ধ্যা য়াচঙবদা মথক্কী তিল হিদাকশিং অসিদগী অমা কাপ্পদা কান্নগনি।

রুট নোট নিমাটোদস ঃ

নিমাটোদশিংসি লৈনুংদা লৈবা মরাগী শরুক্তা শোকহনবা য়াম্না পীকপা মখলগী তিলনি। মখোয়না শোকহল্লবা মরাশিং অদু কিশি লৈবগুম্না চাউথোকই। শাহৌ ফত্তবা চাউদম থীবনচিংবসি লৈমায়থক্তা লৈবা পান্বীগী শরুক্তা অহানবা উবা খুদমনি। য়াম্না শোকচল্লবা পান্বীশিংনা মশা শোম্থরক্লগা শিখি। উ হৱাই মতোন (সনা হেম্প) পান্বীগী মরাদগী থোরকপা মহী অমনা মখোয়বু মাঙহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা উ হৱাইমতোন পান্বীনা গ্রীন মেন্যুরগীদমক থাখ্রবা মফমদদি নিমাটোদশিংদগী খরমখৈদি শাফগনি।

য়োক্লবা ওক খনবা

ডা. এম রাজেন

মীওইবনা শাদা য়াওবা থাউ পাম্নরক্তবা অমদি শা য়াম্না চাবদগী কোলেষ্টেরোলগা মরী লৈনবা থবোম্বীগী লায়নানচিংবগী ৱাফম লাকপদগী, থাউগী শরুক য়ামদবা অশেংবা শদোং (মীট) পাম্নরকপনা মরম ওইদুনা, য়োক্লবা ওক খনবা মতমদা মীট তাইপকী ওক খনবা তাই। বেকোন তাইপকী শাগী অফবা মগুণদি– য়াম্না লুম্বা, শাংবা অমসুং ঊনশাগী মখাদা লৈবা থাউগী শরুক অদু য়াম্না থাবা অসিনি। অদুবু মীট তাইপকী শাগী অফবা মগুণগীদমক্তি শা অদুগী ময়ুং য়াম্না শাংবগী দরকার ওইদে। কিলো ৯০ দগী ১০০ লুম্বা ওক অমনা ইঞ্চি ২৯ দগী ৩১ শাংলবদি মতীক চারে। মরু ওইনা ঊনশাগী মখাদা লৈবা থাউগী অথাবগী চাং অদু য়ারিবমখৈ পানা লৈবা ওক্কী মখল অদু খনবা তাই। অহিংবা ওক্তা হায়রিবা থাউ অসি বেক ফেৎ প্রোব মেথোদনা লীনমিটর অমসুং অলত্রাসোনিক তেক্নিক্নচিংবা শীজিন্নদুনা শাদুনা থাউগী চাং ওনবা ঙমই। থাউগী শরুক য়ামদবা খনবগা লোয়ননা খুমাঙগী কারক, মথা য়াম্না ফনবা অমসুং খুদুংগী মফৈ অমদি নিঙগোং পাক–চাউনা ফুনবা শা খনবা তাই।

ওক অমনা হিংলিঙৈদা পাঙথোক্কদবা, উৎকদবা দরকার ওইবা মগুণ ঃ

ওক অদুগী চাউরৈ কনবগী চাং, চাখিবা মচীঞ্জাক্তা মরী লৈননা মশা চাউখৎলকপগী চাং, অপোকপা মচাগী মশীং, মখোম থোকপগী চাং লোয়ননা চাজেন হৈবগী চাং অমসুং চাগোক থুবগী চাং অসিসু য়াম্না মরু ওই। পোকপগা কিলো ১–২ ফাওবা লুম্বা অদুগা নুমিৎ ৫৬ নি শুবদা কিলো ১২–১৫ ফাওবা লুম্বা ওক অদু খনবা তাই। অফবা মচীঞ্জাক কিলো ৪/৫ পীজবদা মশাগী অরুম্বা কিলো অমগী মথক্তা হেনগৎপা ওক অদু খনবা তাই। ওক মপী অমনা অহানবা চাগোক্তা য়ামদ্রবদা মচা ৮ দগী ১০ ফাওবা পোকপা লোয়ননা হপ্তা ৮ ফাওবদা মশা–মউ ফরবা ওক মচা ৬ তগী ৮ ফাওবা হিংহনবা ঙম্বী ওকপী খনবা তাই। হাতম্না থা ৭/৮ শুবদা কিলো৭০/৮০ গী মথক্তা লূমদুনা হিৎ লাকপা অমসুং মতম চানা গর্ভ পুবা ঙম্বী লোয়ননা মচাগা খায়নরবা মতুং নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা হিৎ লাক্তুনা গর্ভ পুবা ঙম্বী ওক অমোম অদু খনবা তাই। নোয়হল্লগা য়োম্থোক্কদবা ওক্তদি থা ৬ তা কিলো ৯০ ফাওবা য়ৌনা লূমহনবা ঙম্বা মখল অদু খনবা তাই। মথক্কী অফবা মগুণশিংসি য়েংশিনবগা লোয়ননা য়োক্কদৌরিবা জগা (ফার্ম সাইট) অদুগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি য়োক–থাকপা অমসুং সেবা তৌবদা চুনগদবা ওক্কী মখল অদু খনবা তাই। মসিগা মরী লৈনবদা লায়না–তিলনা চেনগন্দবা, সেবা তৌবদা খূৎলোয়বা, মবুক তপ্পা, শাওগন্দবা অতেবা মখল অমুক য়েংবা তাই।

শাওং–শাদা ঃ

তোঙান তোঙানবা ব্রীদশিংগী শাওং–শাবান খেন্নবনিনা অপাম্বা ব্রীদতুগী শাওং শাবান হান্না মশক খঙদোক্কদবনি। মসি খঙদোকপগা লোয়ননা ওক্তুগী মপাম্থোংগী শক্তম, ওক্তুগী চহীগা মরী লৈননা চাউবা নৎত্রগা লূম্বগী চাং, মথংদা ওকশা হেন্না থোক্কদবা শাবান, অরোয়বদা ওক্তুগী মশক মতৌ, মচু অমদি মতীক মগুণ য়েংগদবনি।

মপাম্থোংগী শক্তমদা – মনীং মমাঙ বেলেন্স মান্নবা হায়বদি মথা অমদি খূমাঙগী শরুক্তুগা মফৈ অমদি নিংজোনগী শরুক্কা লূম্বা, চাউবা মান্নবা ওক খনগদবনি। নাকলদগী য়েংবদা খূমাঙগী চাগোৎ মপাগা, খুদুংগী নিঙগোঙ মপাগা ৱাংবা মান্নবা লোয়ননা মনমদি পোন্তক তৌবা অদুগা মখা থংবা মবুকলোমদনা গর্ভ লৈত্রিবা হাতম নৎত্রগা মপাশাদা মনিং মমাঙ শৎ তিংনা উবা ওক খনগদবনি। মমাঙদগী য়েংবদা মমায় পাকপা, মনা অনী অমসুং মমীৎ অনীগী কারক্তু ফজনা পাকপা, ব্রীদতুগী মতুং ইন্না চিন্দা অমসুং মনাতোন ফজবা, অদুগা চগোৎ লেঙজুমগী ফন্দোকপদুগা মনিংগী মফৈ অমসুং কোংলৌগী ফন্দোকপদুগা লাইন অমত্তদা লৈবা ওক খনগদবনি। মথাদি পাক–চাউনা ফনবা হেনবগী মতীক ফবা হেল্লি। মথক্লোমদগী য়েংথবদা মঙক্কী শরুক য়াম্না থাবা, লেঙজুম, য়াংলেন শরূগী হুমদাং মখ্বাঙ অমসুং মনিংথোঙ চাং মান্ননা ফন্দোক্তুনা মতীক চানা পাকপা ওক খনগদবনি। মখোঙদি খরা পৌবা, চাউবা, তিংবা, খুদা ফজবা য়েংগদবনি। নহা ওইরিবা ওকশিংদদি মশাগা মখোঙগা য়েংনবদা মখোঙনা খরা ৱাংখৎলপ, ঙল্লপ লৈগনি।

মথক্তা পীরিবা দরকার ওইবা মচাকশিংসি শুনা ফংবদা ওক অদু ওকশা নীংথিনা থোক্কনি। হায়রিবা শক্তমশিংসি অফবা ওক অমনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা চাউরকপা অমদি উবা ফংগনি লোয়ননা পোকপদগী থা ২/৩ শুবদগীদি ময়া শেংনা উৎপা হৌরক্কনি।

হৌরকফম মপী–মপা/ পারী/ পুরী (জেনেতিক) কী ওইবা অফ–ফত্তা ঃ

অপান্বা মখলগী শাওং–শাদা অদু ফংলবা মতুংদা ওক অদুগী পারী–পুরী ২/৩ লক ফাওবা থীগৎলক্কদবনি। মখোয় অদু পামদুনা খল্লবা ওক অদুগী শক্তমদুমক ওইরমগদবনি। মখোয় অদুনা হিংলিঙৈদা উৎখিবা, পাঙথোকখিবা মগুণশিংদু দরকার ওইবদুমক থোকখিবা ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা, মপী মপা অদুগী অফবা মগুণশিংদু মচাশিংদা কয়া য়াম্না পীবা ঙম্বগে হায়বদু য়েংবা দরকার ওই। অফবা মপী–মপাগী মগুণশিংদু মচাশিংনা চাদা ১০০ লৌবা ঙম্বা ওকশিংদুদি য়োকপদা শোয়দনা মায় পাক্কনি। অমরোমদা মপাম্থোংদা য়াম্না ফনা উরবী ওক মপী অমনা পোকপা মচাশিংগী মরক্তা এত্রেসিআ এনাই (শৌজ হুৎলক্তবা) হায়দ্রোসেফালস (মকোক লোঙবা নৎত্রগা চাউথোকপা), পোষ্টরিঅর পেরালাইসিস (মনিং অমদি খুদুং শিথবা), মসল কন্ত্রেক্সন (শাদোংগী শরুক চিংদুনা নীকপা), মখোঙ শোইনাইবনচিংবা পোকপদা লোয়নরকপা অশোয়বা কয়া য়াওবা থেংনৈ। মসি মপী অমদি মপা অনীদুদা য়াওবা রিসেসিভ জীননা থোকহনবনি। অশোয়বা অসি লোয়নরকপা ওক মচাশিংদু পোকপগা নৎত্রগা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা শিগল্লি। অসিদসু নত্তনা পোকপদা লোয়নরকপা স্ক্রোটেল অমসুং এবদোমিনেল হের্নিআ অমদি খোমজিন মথক–মখা, মবুক মনম ওন্থোক্লগা পানবনচিংবগী অশোয়বা কয়াসু থেংনৈ। মখোয় অসিনা পোক্লবা মতুংদা থুনা শিবগী সমস্যা লৈত্রবসু, মচা পোকহন্নবা, মপাশা অমদি মপী ওইনা থম্বা তারবদি খুদোং থীরকই। অসিদা নত্তনা, হোর্নিআ লৈবা ওক অয়াম্বা চাউজন থীগল্লি। মরম অদুনা জিনগী অশোয়বা লৈবা মচাশিংগী মরক্তগী য়োক্লবা ওক খল্লোয়দবনি লোয়ননা মপী–মপা অদুসু অফবা মখল ওইনা লৌরোইদবনি।

জেনেতিক্কা মরী লৈনদবা, মপী অমত্তনা পোকপা লাবা, অমোম অনীগী মচাশিংদা অশোয়বশিংসি লাক্কল্লি। ব্রীদ মান্নরবসু ঈ য়াম্না লাপ্নবা লাবা, অমোম অনীগী মচা–মশু খনবা ফৈ। খ্বায়দগী হেন্না ফবদি মান্নদবা ব্রীদ অনীগী লাবা, অমোম্না ক্রোস ব্রীদ তৌদুনা পুথোকপা ওকশিংদা মপী–মপাদগী হেন্না ফবা তোপ তোপ্পা মগুণ (হায়ব্রীদ ভিগর) ফংলবা ওক্কী মখল খনগদবনি।